ও এন ৱাই সী ট্রোফি মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সেক্তা (এ)না সেক্তা (বি)বু ফাইনেলদা পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস) : ওকসু নিংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা লমলাই কেন্দ্র অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ অমদি অতোপ্পা কেন্দ্রগী ইনভাইটি য়াওনা পাঙথোকপা ও এন ৱাই সী ট্রোফি মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা সেক্তা (এ)না সেক্তা (বি)বু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নদুনা চেম্পিয়ন ওইনবগী ৱাখল্লোনদা শান্নরকখি। অহানবা হাফকী অপীবা মতমদা মায়কৈ অনীনা পুশিন্নখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা সেক্তা এগী শান্নরোয়শিংনা এটেক তৌবগী চাং হেঞ্জিল্লকখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনিটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৬ জোন্সননা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। সেক্তা বিগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হান্না শান্নরম্বদগী খোঙজেল য়াঙখৎলকখি।

সেক্তা বিগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৬ ভিমনা মেচকী ৩৬শুবা মিনিটতা পাঞ্জল চন্দুনা ফাইনেল মেচ অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা য়াম্না ফজবা মওংদা মখা তানা অমুক লম্বা চথুখি।

সেক্তা এগী জর্সি নম্বর ৭ থোইনা মেচকী ৩৮শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা সেক্তা বিবু মখোয়না ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী অপীবা মতম য়ৌদ্রিঙৈদা পাঞ্জল শোথরবা সেক্তা বি ফনা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখিবা অদু ইক্বেলাইজর চনবা ঙমদনা ও এন ৱাই সী ট্রোফি অদু সেক্তা এনা সেক্তা বিবু ২-১দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা উপ-অধ্যক্ষ জিল্লা পরিষদ ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রি তমানা চীফ গেষ্ট, নোংগ্রেন চীংনুংকোক্কী প্রধান ময়াংলম্বম বিলাশিনীনা প্রসিদেন্ট, তেলৌ চানা শৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী জিল্লা পরিষদ অমোম জামিনি, তাকয়েল গ্রাম পাঞ্চায়টকী প্রধান মোইরাংথেম নিংথেম, এক্স-প্রধান ইরুংবম প্রেম অমসুং মোইরাংপুরেল ফোরেষ্ট বিটকী ইন-চার্জ থৌনাওজম অর্জুন মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা সেক্তা এগী টিমদা তেলৌ চানা শৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী জিল্লা পরিষদ অমোম জামিনিনা দোনেট তৌরকপা লুপা ৩০,০০০ পীখি। রন্নরস অপ তাখ্রবা সেক্তা বিদা নোংগ্রেন চীংনুংকোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ময়াংলম্বম বিলাশিনীনা দোনেট তৌরকপা লুপা ২০,০০০ পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী দিসিপ্লিন ফজবা টিমগী মনা অদুনা থোয়ি ভিলেজ ফুটবোল টিমনা ফংখি। টিম অদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৩,০০০ ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিফেন্দরগী মনা অদুনা এফ সী লন্নাই টিমগী এ ভুমেশ্বরনা ফংখি। মঙোন্দসু ওর্গনাইজরনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২,০০০ পীখি। বেষ্ট গোল কিপ্পরগী মনানা এফ সী তখেলগী একেন্দ্রজিৎনা ফংখি। মহাকপুসু ওর্গনাইজরনা লুপা ২,০০০ মনা ওইনা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদুনা সেক্তা বিগী হেনরিনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী হেনরিদা লুপা ২,০০০ পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙমখিবগী মনা অদুনা সেক্তা এগী বিশ্বরজিৎনা ফংখি। মহাকসু ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী শেলগী মনা ২,০০০ ফংখি।

অহানবা য়ূম্নাম রাসমনি মেমোরিএল য়ু-১৪ বোইজ এন্দ য়ু-১৬ গর্লস হোকি

# নুপীমচাগীদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন অমসুং নুপামচাগীদা ৱাই সী সী আই সী-এনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস) : ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা মণিপুর হোকিগী লমজিং মখাদা কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা অহানবা য়ূম্নাম রাসমনি মেমোরিএল য়ু-১৪ বোইজ অমসুং য়ু -১৬ গর্লস সভেন এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচশিংদা নুপীমচাগী চহী ১৬ মখাদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোননা মায় পাক্কুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা নুপামচাগী চহী ১৪গী কাঙলুপতা ৱাই সী সী আই সী-এনা টাইটল লৌখ্রে।

চহী ১৬ মখাগী নুপীমচাগী ফাইনেল মেচ অদুদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন অমসুং ৱাই সী সী আই সী-এ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী হৌরকপদগীনা লোইবা ফাওবা টিম অনীমক লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নখি। পাঞ্জল চনবগী মশীং চাংদম্নরুবদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোননা ৩, অদুগা ৱাই সী সী আই সী-এগী টিমনা ২ চনখিবা মরম্না টাইটল অদু এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোননা লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ফাইনেল মেচ অদু নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী ওইখি। মদুদা ৱাই সী সী আই সী-এ অমসুং ঐচ দব্লিয়ু সী লংথবাল লম্বা তৌনখি। ৱাই সী সী আই সী-এগী মায়কৈদগী ফাইনেল অদুদা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। অমরোমদা, ঐচ দব্লিয়ু সী লংথবালগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল ৩ খক চনখিবদগী টাইটল অদু ৱাই সী সী আই সী-এনা ৪-৩ দা থোইরগা লৌখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা সোসল ৱর্কর এন গান্ধীনা চীফ গেষ্ট ওইখি। সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা প্রসিদেন্টকী থৌদাং লৌখি।

# রিয়ল একাদেমি তোপ সিফাই অমসুং টি এস এফ এ তোপ সিফাই চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): টোপ সিফাই ফুটবোল এসোসিয়েসন (টি এস এফ এ)না হৌখিবা এপ্রিল ১৫দগী হৌদুনা চহী ১১ মখাগী অইত এ-সাইদ অমসুং চহী ১৬ মখাগী সভেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচশিংদা চহী ১১ মখাগীদা রিয়ল একাদেমি টোপ সিফাইনা টাইটল লৌখ্রে, অদুগা চহী ১৬ মখাগী কাঙলূপ্তুনা টি এস এফ এ টোপ সিফাইনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

রিয়ল একাদেমি টোপ সিফাই অমসুং টি এস এফ এগী ফাইনেল মেচ অদুদা টিম অনীমক অপীবা মতমদা মায় পাক্তুবা ঙম্নদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না টাইব্রেক কাওনখি। মদুদা রিয়ল একাদেমিনা টি এস এফ এবু পাঞ্জল ৬-৫দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

চহী ১৬ মখাগী কাঙলূপকী ফাইনেল মেচতা টি এস এফ এ টোপ সিফাইনা সিবুলৈমা এফ সী শামুশঙ শান্তিপুরবু ৩-০দা থোইদুনা টাইটল লৌখিবনি।

মেচ অদু টি এস এফ এনা য়াম্না লাকচনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা টি এস এফ এ টোপ সিফাইগী মায়কৈদগী অরুননা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

পাওবিতেক কাংজেবুংদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী মখা চথরকপদা সিবুলৈমা এফ সী শামুশঙ শান্তিপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লুবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মখোয়গী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল চনবা ঙমদ্রিঙৈ টি এস এফ এগী স্বামিনা ফাইনেল অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিনখি। শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লুবদা ফাইনেল অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টি এস এফ এ টোপ সিফাইগী অরুননা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ৩-০দা থোইখি।

## দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ (ঐচ এন এস): এন জি এল নোংপোক লৌরেম্বমনা শীন্দুনা নোংপোক লৌরেম্বম শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ষ্টেট ওপন লম্বামযুম নোংথোন মেমোরিএল সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ৱাঙ্গোই এফ সী অমসুং ৭ ষ্টার হৈরোক পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ৱাঙ্গোই এফ সীগী টি ঐচ বিপিননা চনখি। অদুগা ৭ ষ্টারগীনা জোল্লিনা চনখিবনি।

## শম্ফবী এফ সীনা এ স্কৱার থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ (ঐচ এন এস): ভি এস ও খোংজোম সর্কলনা শীন্দুনা পাঙথোকপা তেকচম হায় স্কুল গ্রাউন্দা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শম্ফবী এফ সীনা এ স্কৱার পাৎসোইবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

শম্ফবী এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি, গোপিনা শান্নবগী ২৮শুবা মিনিট, নন্দনা শান্নবগী ৩৫ অমসুং ৪০ শুবা মিনিট অমসুং রোসননা শান্নবগী ৩৮শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অদুগা এ স্কৱার পাৎসোইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনীমক নোংঙানবনা শন্নবগী ২১শুবা অমসুং ৪৭শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ফ্রেন্দসিপ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# লমজাও এফ সীনা জে এফ সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ৫ (ঐচ এন এস): ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লব ককচীংনা শীন্দুনা ককচীংগী বেসিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফ্রেন্দসিপ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা লমজাও এফ সীনা জে এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান- তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফ্রেন্দসিপ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী লমজাও এফ সী অমসুং জে এফ সী শান্নখি। মেচ অদু লমজাও এফ সীনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি।

মেচ অদু হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ৩শুবা মিনিটতা লমজাও এফ সীগী জর্সি নম্বর ২৫ জয়কিষননা গোল অমা চনখি। জয়কিষননা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লমজাও এফ সীনা য়াম্না ঙন্না মাংজিল থাবা ঙমখিবগা লোয়ননা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনবা হৌখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৭শুবা মিনিটতা জয়কিষননা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা লমজাও এফ সীবু গোল ২ মাংজিল থাহনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা জে এফ সীগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু ঙমদনা লৈখি।

লমজাও এফ সীনা গোল ২ মাংজিল থাজরবসু অহেনবা গোল চন্নবগীদমক মখা তানা এটেক চথুরকখি। মেচকী ২১শুবা মিনিটতা লমজাও এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ কিষননা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। লমজাও এফ সীনা গোল অহুম মাংজিল থাজখ্রবসু জে এফ সীগী মায়কৈদগী গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা নীংহন্নবা লৈতনা কন্না শানখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা জে এফ সী মায়থীহৌখি। অদুগা মেচ অদু লমজাও এফ সীনা গোল ৩-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নগদবা অতোপ্পা মেচ অমদা গোরো এফ সী হৈরোক লাক্তবনা য়ং য়ুনাইটেদ ককচীংনা ৱার্ক ওভর ফংখ্রে হায়রি।

# ভোপালদা পাঙথোক্কদবা নেসনল কোচিং কেম্পকী ট্রাইএলদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): ভোপালগী সাই সেন্টরদা লাক্লিবা মে ১৩ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল কোচিং কেম্পকী ট্রাইএলদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ৱুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা খনখ্রে।

ৱুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী টেক্নিকেল দিরেক্টর এন বিরমনিনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ভোপালগী সাই সেন্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল কোচিং কেম্পকী ট্রাইএলদা শরুক য়ানবগীদমক লিষ্ট থোকপদা য়াওরবা শান্নরোয়শিং অদুদি চিলদ্রেন গ্রুপতা এল নেলসন, এন জি কাজল চনু, কেয়া ঐচ, জুপিতর ঈ, ও মালেমঙানবী অমসুং এ ৱিল্লিয়মনি। জুনিয়র গ্রুপ কেটগোরিগীনা জি দেবেস শর্ম্মা, ও পাকপী, টি ঐচ বোনিশ অমসুং দব্লিয়ু নীংথিবীনি। জুনিয়র শান্দা কেটগোরিদনা এম মালেমঙানবা অমসুং টি প্রিয়ালক্ষ্মীনি। সিনিয়র তাওলু কেটগোরিগী কাঙলূপতা এম সুরজ, জি সুবসন শর্ম্মা, টি অরিতা, এল জেনি অমসুং পি থোইবীনি। অদুগা সিনিয়র শান্দাগী কাঙলূপতনা কে ঐচ সেখরজিৎ, এন চাওবা, ও বিদ্যপতি অমসুং টি ঐচ মেনেকানি।

নেসনল কোচিং কেম্পকী ট্রাইএলদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং শরুক য়াবা চৎকদৌরিবা অসিদা ৱুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মীহুৎ ওইনা অর্জুনা এৱার্দী এম বিমোলজিৎসু শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# ক্রিপসা অমসুং এস এস সী দ্রো চৎখ্রে আই সী এস এনা ঈ এস য়ু থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথুরিবা অহানবা সব-জুনিয়র গার্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ঙসি ক্রিপসা অমসুং এস এস সী (সেক্তা) ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, অদুগা আই সী এস এনা ঈ এস য়ুবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী ৪৩ শুবা মিনিটতা এস এস সী (সেক্তা) গী জর্সি নম্বর ১১ কে অঞ্জুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেচকী ৫৯শুবা মিনিটতা ক্রিপসাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ এন সঞ্জনানা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ঈ এস য়ু অমসুং ৱাই সী এস এ লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী ২৬শুবা মিনিটতা এটেক হেন্না চথুবা ঙমখিবা আই সী এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ এল সেলিয়ানা মেচকী অহানবা গোল চনখি।

অনীশুবা হাফকী ৫১ শুবা মিনিটতা আই সী এস এগী টি ঐচ সঞ্জিতানা পাঞ্জল ১, শান্নবগী ৬৯শুবা মিনিটতা টিম অদুম্মক্কী এম বিজয়ানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

# এ ভি এফ এনা ভি এফ সী (বি) থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটেরান এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপা ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটেরানস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ ভি এফ এনা ভি এফ সী (বি)বু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি মেচ অদুদা এ ভি এফ এ অকম্পাৎকী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২১ নেপোলিয়ননা ৩৪শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ভি এফ সী (বি) শিংজমৈগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ এস ওপেন্দ্রোনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু মখা তানা লম্বা মান্নরকখি। মেচকী ইঞ্জুরি টাইমদা এ ভি এফ এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২০ কে প্রেমজিৎনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চল্লগা ভি এফ সী (বি) শিংজমৈবু ২-১দা থোইখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা পুপু পুংদোংবম অমসুং এ এম বি এ চৈরাপ কোর্ট অনীগী লম্বা অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

হয়েং অহানবা গ্রাউন্দা ভি এফ সী (এ) অমসুং লাঙ্গোল এফ সী শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা সাইক্লোন-এ অমসুং য়ু ভি এস এ লম্বা তৌনরগনি।

নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০১৯

# ৱাই য়ু সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকায় অমসুং অল অমিন লিলোং ফাইনেলদা থেংগাইনরগনি

ইম্ফাল, মে ৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা অহানবা এম সী এ অন্দর-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০১৯গী ফাইনেলদা ৱাই য়ু সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাই অমসুং অল অমিন লিলোং থেংগাইনরগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা চথুরকখিবা অহানবা এম সী এ অন্দর-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০১৯গী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি পি টি আর সী পাৎসোই অমসুং ৱাই য়ু সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাই হৈনৌপোক গ্রাউন্দদা শান্নখি। মেচ অদু ৱাই য়ু সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাইনা রন ৪৩দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা ইনিংসতা বেটিং তৌখিবা ৱাই য়ু সীনা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৫১ লৌখি। ৱাই য়ু সীগী কদমজিৎনা বোল ৫৪দা রন ৪৪, সঞ্জিৎনা বোল ২০দা রন ১৭ অমসুং বিকাসনা বোল ৩৪দা রন ১০ লৌখি।

অহানবা ইনিংসতা বোল্লিং তৌখিবা পি টি আর সীগী পি ঐচ জোতিননা ওভর ৬ লংবদা রন ১২ পীরগা ৱিকেট ৪, রবি শাহুনা ওভর ৬ লংবদা রন ২০ পীরগা ৱিকেট ৩ অমসুং প্রিতমনা ওভর ৬ লংবদা রন ৩৯ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইনিংসতা বেটিং তৌখিবা পি টি আর সীনা ওভর ২৭.১ দা ওল আউট ওইরগা রন ১০৭ খক লৌদুনা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীহৌখিবনি। পি টি আর সীগী পি ঐচ জোতিননা বোল ৪৮দা রন ২৯, রোহিটনা বোল ৪২দা রন ১২, রবি শাহুনা বোল ২১দা রন ১০ অমসুং প্রিতমনা বোল ১৮দা রন ১০ লৌখিবনি।

ৱাই য়ু সীগী বিকাসনা ওভর ৪ লংবদা রন ১৫ পীরগা ৱিকেট ৩, সঞ্জিৎনা ওভর ৫.১ লংবদা রন ৯ পীরগা ৱিকেট ২, থাওঙম্বনা ওভর ৬ লংবদা রন ২৭ পীরগা ৱিকেট ২ অমসুং সোমোরাজনা ওভর ৬ লংবদা রন ২৩ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেচ অদুদা বোল ৫৪ দা রন ৪৪ লৌবা ঙমখিবা ৱাই য়ু সীগী কদমজিৎনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা অল অমিননা পি টি সীবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

# 'মণিপুরএমেচরবোক্সিংএসোসিএসনহিংগৎহন্নবাপূন্নাহোৎনমিন্নসি'

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন হৌজিক্কী শিরবা এসোসিয়েসন অমা ওইরে লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন কক্তে হায়বতা মঙাইরে হায়না এদহোক কম্মিটি, মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (অম্বা)গী কনভেনর এস চন্দ্রকান্তা সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা হৌখিবা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মিটিং নত্তনা ঙসি ফাওবদা শাংলবা মতম অসিদা এন্যুএল জেনরেল বোদি মিতিং নত্রগা স্পেসল জেনরেল বোদি মিতিং পাঙথোক্তুনা তৌফম থোকপা থৌরম কয়া তৌরক্তি। মরম অসিদগী ঙসিদি মণিপুর বোক্সিং এসোসিয়েসন অসি রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটি, মণিপুরদা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা য়াদ্রবা এসোসিয়েসন অমা ওইরে। য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পুথোক্তবা চহীগী ওইবা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল বোদি মিটিংগী প্রোসিদিং, ওদিট, এন্যুএল একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট লৈরক্তবা অসিগুম্বা কয়া অসিনা য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা চহীগী ওইবা ফাইনান্সিয়ল এসিষ্টেন্স ককখিবনসু অচৌবা মরম অমা ওইদুনা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্লরি।

এসোসিয়েসন অসিবু হিংহনবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি স্পেসল জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোকপা নত্তনা অতোপ্পা অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরী জেনরেলদা ইখিবা চেরোলদা এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং হায়বগী মহুৎতা স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং ওইনা হায়খিবনি। হায়রিবা স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং অসিসু এসোসিএসন অসিগী অনীংবা অপাম্বা মতম অমদা হেক্তা পাঙথোকপা য়াবা নত্তে। রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ, মণিপুরদগী অয়াবা লৌগদবনি, স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্লবগী মতম ফাওবা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুরনা লেপকদৌরিবনি।

এপ্রিল ৮দা কৌখিবা মীটিং অদুদা ক্বারম ফাদবনা মরম ওইদুনা পাঙথোকখিদ্রে। এম এ বি এগী অনৌবা মেম্বর লৌনবগী চপ চাবা কাঙলোন বাই- লো অদুমক লৈজে। কাঙলোন অসিগী মতুংইন্না অনৌবা মেম্বর মথৌ অমত্তা পাঙথোকপা য়াদ্রবা মতমসিদা মতৌ করম্না এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমুক মতম শাংনা এম এ বি এগা লোয়নদুনসু লাক্লবা মেম্বরদি ওইদ্রিবা, মেম্বর ওইবগী রিসিপ্ট ফাওবা কক্তুনা পীবীখ্রবা মীওই কয়া অমসু মেম্বর ওইহনবগী করিগুম্বা প্রোসেস অমত্তা তৌবীদনা নমশিন্দুনা থম্বীরল্লগা হৌজিক স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্লুবা হোৎনরকপা মতমসিদা নম্ফু-হাফুদা প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি জেনরেলনা তৌনিংবতা তৌবা য়াবগী মওংদা চৎন-কাঙলোন অমত্তা য়েংবীদনা পংয়াদা য়াবদৌনা অনৌবা মেম্বর লৌশিন্নবা হোৎনরকপা অসিমক খ্বাইদগী ফজদবা মওংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বোক্সিং হায়বা মশান্না অসিবু পামজনা শান্নজরিবা শান্নরোয়শিংগী তুংগী ওইবা পূন্সিদা অমদি অতৈ-অতৈ হীরম কয়াদা অকায়বা কয়া থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অঙাংশিংনা মপান্দা শান্নবা চৎপা অমদি ষ্টেট অসিদা টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোল্লগসু এসোসিএসন অসিদি করি করম্বা ফীভমদা লৈরি হায়বসি মীয়াম পূন্না য়েংশিনমিন্নবগী তাঞ্জা অদু ওইরক্লে। চহী ১০ হেন্না পাঙথোক্তনা লাক্লবা এম এ বি এগী জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্লুবা হোৎনবদা অমদি শান্ন-রোয়শিংগী, কোচশিংগী, টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল এসোসিএসনশিংগী চাউখৎ থৌরাং কয়া পাঙথোক্লুবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা হোৎনজরিবা অসিদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী ওফিস, শান্ন- খোৎনববু পান্বীবা, য়োখৎপীবশিং অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মরী লৈনবা সী এস ওশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মণিপুরগী বোক্সিংগী ঈহৌবু মনিং হন্দনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা হায়জরি হায়খি।

# এ এল এস (এ)না মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): অপোকপা লাইনিংথৌ স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা তোপ সিফাই থোংখোঙ বজারদা লৈবা থৌদাম লম্পাক্তা ঙসিদগী হৌখিবা তরুকশুবা মেন্স ওপন কেশ প্রাইজ সেপাকতাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী অহানবা মেচতা এ এল এস (এ)না এম পি এস সী (বি)বু সেট ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ২ থোক্লা লম্বা তৌনরি। গ্রুপ এদা এ এল এস এ (এ), তোপ সিফাই, ৱাই এ দব্লিয়ু এ (এ) শিংজমৈ, এম পি এস সী (বি) ইম্ফাল, পি য়ু সী (বি) কাইরং অমসুং এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলমনি।

গ্রুপ বিদা এ এল এস এ (বি), তোপ সিফাই, ৱাই এ দব্লিয়ু এ (বি) শিংজমৈ, এম পি এস সী (এ) ইম্ফাল, পি য়ু সী (এ) কাইরং অমসুং কে এ এস টি এ কুম্বীনি।

ঙসিগী অহানবা মেচ অদুদা এ এল এস এ (এ)গী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নদুনা এম পি এস সী (বি)বু ষ্ট্রেইট সেট অনীদা ২১-৮, ২১-১২ তা মায়থীবা পীখি। হয়েং পূন্না মেচ ৯ শান্নগদৌরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com